# অপর অসামগী জোর্হাটতা হোমিওপেথিগী দোক্তর অমা শকখঙদবশিংনা হাৎতোল্লক্লে

# SAVE THE DOCTORS
डॉक्टर
भ्याड

জোর্হাট, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি): অপর অসামগী জোর্হাট টাউনদা নহা ওইরিবা হোমিওপেথিক দোক্তর অমা শকখঙদবশিংনা হাৎলম্লে। জোর্হাটকী চন্দন নগরদা লৈবা অশানবা যুম অমদা মশাগী চহী ২৬ শুবদা ঙাইরিবা দোক্তর অদু হাৎলম্বনি।

লৈখিদ্রবা দোক্তর অদুগী মমিং রাহুল বাসুমাতারি কৌই। উদলগুরি দিষ্ট্রিক্টতগীনি। হৌজিক্লা জে কে মেমোরিয়ল হোমিওপেথিক মেদিকেল কোলেজ জোর্হাটতা ইন্টর্ন দোক্তর ওইনা লৈবনি। মমাং চহীদা মহাক্না জে কে মেমোরিয়ল হোমিওপেথিক মেদিকেল কোলেজদগী বেসলর ওফ হোমিওপেথিক মেদিসন এন্দ সর্জরি লোইশিনখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা জোর্হাট পুলিসনা কেস অমা লৌখত্তুনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা হৌখ্রে। অহানবা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না নহা ওইরিবা দোক্তর অদু মখৌরিদা থাঙনা লেল্লগা হাৎলম্বনি হায়বা খঙলে। লৈখিদ্রবা দোক্তর অদু অসাম লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা থৌপুরম্বা হিরা প্রসাদ নাথ কৌবা মীওই অমগী অশানবা যুমদা লৈরকখিবনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা দোক্তর অদুগী মপান্দা খামদুনা থম্বা মোটোর সাইকল লৈরমদবা উবদা চিংনবদগী হিরা নাথনা কৌবদা পাউখুম অমত্তা পীরকখিদে। তুংদা মহাক্না চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা রাহুল বাসুমাতারিনা লৈবা কা অদু থোঙ হাংদোক্তুনা লৈরম্বা থেংনখি। ইমুংদা চঙলুবদা দোক্তর অদু শিনা লৈরমখিবনি।

থৌদোক থোকফমদা পুলিস লাক্তুনা য়েংশিনবদা থাঙ অমা থেংনখি। পুলিসনা জোর্হাট অমদি মনাক নকপা দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস ষ্টেসন পুম্নমক্তা পাউ পীদুনা চেন্নরিবা মীওইশিং ফানবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। থৌদোক অসিগী পাউতাবদা জে কে মেমোরিয়ল হোমিওপেথিক মেদিকেল কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা হায়খি মদুদি লৈখিদ্রবা বাসুমাতারিবু কোলেজগী মহৈরোয় অয়াম্বনা নুংশিনা লোয়নবা মীশক্লি। দোক্তর তম্বা লোইবদা ঙাইরিবা নহা অমা লৈখিদবদা মহৈরোয়শিংনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

# হান্নগী হেল্থ মিনিষ্টরনা ত্রিপুরাগী হেল্থ দিপার্টমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

অগরতালা, সেপ্তেম্বর ০৫ (এজেন্সি): হান্নগী হেল্থ মিনিষ্টর সুদিপ রোই বর্মন্না ষ্টেটকী হেল্থ দিপার্টমেন্টপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। অগরতালা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বর্মন্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম অথুবা মতমদা লাকশিন্নবা হোৎনদ্রবদি দিসেম্বর থা য়ৌশিল্লকপদা মীওই ৬৫০ হেন্না শিবা য়াই। নোংমনোংমগী ফিভম লুবা হেনজিল্লকপগা লোয়ননা এপ্রিল থাদগী জুলাই ফাওবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশিং অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলক্লে। ওগষ্ট থাদি মীওই ৭১৬৮ পোজিটিভ ওইরকপা থেংনখি।

হৌখিবা নুমিৎ ৭ নিদা ওইরকখিবা ফিভম নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি হায়না পল্লদুনা হান্নগী হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়খি, নুমিৎ খুদিংগী চাংচৎ ওইনা মীওই ৪৮৫ হেন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা থেংনরে। হৌখিবা নুমিৎ নিনিগী মনুংদদি চাংচত্তা নুমিৎ খুদিংগী মীওই ৫৬৮গী চাংদা পোজিটিভ ওইরক্লে।

কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্না ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) লাউথোকখ্রবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মফম অয়াম্বদা মীয়াম্না এস ও পি ঙাক্লা চৎলিব্রা হায়বদু য়েংশিন্দ্রে হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

জি বি পি হোস্পিটালগী দোক্তরশিংনা কোভিদ-১৯ গী পেসন্ট লায়েংনিংদবগী মওং অমা উরে হায়না পল্লদুনা বর্মন্না হায়খি, সিনিয়র দোক্তর অয়াম্বা মথৌ লৈথোক্লগা জুনিয়র দোক্তর অমদি মেদিকেল ষ্টুদেন্টশিংদা অনাবা লায়েংবগী থৌদাং লৌহল্লে। হোস্পিটালগী সী টি স্কেন মেছিন, এক্স-রে মেছিন অমদি পোর্টেবল এক্স-রে মেছিন মথৌ তৌদ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হোস্পিটালগী ওথোরিটিনা থৌশাদবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হৌজিক হৌজিক ইন-পেসেন্ট ২৩০ লৈবগী মনুংদা অনাবা মীওই ৪১ লৈমায়দা হিপ্পুনা লৈহল্লিবসি নীংবা কায়নিংঙাইনি।

## ঙমখৈদা য়েৎনবগী মতাংদা খন্নখ্রে

লক্ষিম্পুর, সেপ্তেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈদা নৌনা য়েৎনরকপগী মতাংদা ষ্টেট অনীগী ওফিসলশিং খন্ন-নৈনখ্রে। মীফম অদুদা লক্ষিম্পুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিসনর অমসুং পাপম্পারে দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিসনরনা শরুক য়াখি। মীফম অদুগী মতাংদা লক্ষিম্পুরগী দি সী ডা. জিবনন্না পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি ঙমখৈদা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা য়াম্না তোয়না পীছ কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকপা অমসুং জোইন্ট পেট্রোলিং চত্তুনা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা হোৎনবা হায়না য়ানবা পীরক্লে হায়রি।

[illegible] / ATM CARD LOST

ঙসি তাং ৫/৯/২০গী অয়ুক্কী পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা A/c No. 32757579099 SBI Gandhi Avenue না issued তৌবা SBI ATM Card অসি কৈশামথোং হোদাম লৈরক মচীনদা লৈবা SBI ATM Booth অসিদা কাউরম্লে। কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা খুৎশিন্নবীয়ু নৎত্রগা পাউ পীবীরকউ। অৱামল মতীক চানা তৌজগে।

**Sd/- Khangembam Kabichandra**
Keishamthong Maning Longjam Leikai,
# 9856366898
HL-P/7496/6

[illegible] / শেংদোকচবা

ঐ Lourembam Abung S/o. (L) Lourembam Mangoljao লৈফম্না ইরোইশেম্বা লৌরেম্বম লৈকাইদগীনি। ঐ মতুংদা অমুক হন্না ময়াই কাবা নিশা য়ু য়োঙ্গররোই অমদি উরিপোক অপূনবা লূপকী ব্রাঞ্চ ওইরিবা EYDC, Iroisemba গী মফমদা ঐনা তৌখিবা মীয়াম্না য়াদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নরুবগীদমক্তা ঐবু উরিপোক অপূনবা লূপকী মায়কৈদা ৱাখল তাহনবীবগা লোয়ননা মীয়ামগী মফমদা লাল্লে হায়না হায়জরি।

হায়জরিবা : **Lourembam Abung**
S/o. (L) L. Mangoljao
Iroisemba Lourembam Leikai
HL-P/7499/6

## ষ্টেটকী পাউ

# লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট য়েলহৌমীশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তনি : সী আর এ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : নেসনল হায়দ্রোইলেক্ট্রিক পৱার কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ পি সী)না লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম হায়দ্রোইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট পায়খৎনবা হোৎনরক্লিবসি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনা মতম শাংনা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিংবু ইকাই খুম্নদবা অমসুং য়াদবনি হায়না লৌগনি হায়না সেন্টর ফোর রিসার্চ এন্দ এদভোকেসি, মণিপুর (সী আর এ)না ফোঙদোরক্লি।

সী আর এনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চরোল অমনা হায়, নেসনল হায়দ্রোইলেক্ট্রিক পৱার কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ পি সী) অমদি মণিপুর গর্ভর্নমেন্টকী মরক্তা মেগৱাট ৬৬কী লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম হায়দ্রোইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট শানবা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ১দা পৱার পর্চেজিং এগ্রীমেন্ট (পি পি এ) খুৎয়েক পীনখিবসি নুংনাংনিংঙাই ওই। এন ঐচ পি সীনা লোক্তাক প্রোজেক্টকী লৈমাতাক পৱার ষ্টেসন্দগী থাদোরকপা ঈশিং লোক্তাক দাউনষ্ট্রিমদা প্রোজেক্টতা শীজিন্নরবা থৌরাং তৌরিবনি।

মেগৱাট ১০৫ গী লোক্তাক প্রোজেক্টকী ইথাই বরাজ রিভিয়ু তৌবগা লোয়ননা দিকম্মিসন তৌনবা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনা মতম শাংনা তকশিন্দুনা লাক্লিঙৌদা লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম প্রোজেক্ট পায়খৎনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি তশেংনমক য়েলহৌমীশিংগী অনীংবা অপাম্বশিংবু ইকাই খুম্নদবনি। ইথাই বরাজনা পীরিবা চৈথেংশিং কোকহন্নবগীদমক্তা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা কুমজা ২০১৭গী ওগষ্ট ২দা প্রাইম মিনিষ্টরদা খঙহনখিবা মতুং চহী অসিমক্কী সেপ্তেম্বরদা গভর্নরনসু অদুগুম্বা চৈথেংশিং য়েলহৌমীশিংদা মায়োক্লহন্দনবা তকশিনখিবা লৈনা-লৈনা লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম প্রোজেক্টকী পি পি এ সাইন তৌনখিবনি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি।

মেগৱাট ১০৫ গী লোক্তাক মল্টি পর্পস হায়দ্রোইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট মখা তানা ওপরেট তৌবনা অচৌবা দামশিংনা শোকহল্লিবা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী অৱাবশিং হেনগৎহনগদবা ওইবনা মেগৱাট ৬৬ কী লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম প্রোজেক্ট শেমগৎ-শাগৎপা হায়বসি মতম চাদে অমসুং লেপফম থোকই। গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং নেসনল হায়দ্রোইলেক্ট্রিক পৱার কোর্পোরেসনগী মরক্তা কুমজা ২০০৮কী সেপ্তেম্বর ২৬ তা খুৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ু রিভোক তৌগদবনি। লোয়ননা পৱার পর্চেজিং এগ্রীমেন্ট রিভোক তৌগদবনি হয়না চেরোল অসিনা তকশিল্লক্লি।

## ওজাগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : ককচিং হায় স্কুল ১৯৮৪ মেত্রিক বেঞ্চকী মহৈরোয়শিংনা মতম অমদা মখোয়বু তাকপি-তম্বীরকপা ওজাশিংগী মফমদা ঙমজবা খুদোলশিং তমদুনা কুমসি চহীগী ওজাগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি ওজাগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা বেঞ্চ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এন মুনাল মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াদা টিচরস দে অসি কুমজা ১৯৬২ দগী হৌদুনা লৈবাক অসিগী অনীশুবা প্রসিদেন্ট ওইখিবা ডা. সর্ভেপাল্লি রাধাকৃষ্ণনগী মপোক নুমিত্তা মহাকপু নীংশিংবা ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

ওজাশিংবু ইকাই খুম্নবা অমসুং নোল্লুকপা হায়বা অসি ঐখোয়গী কলচরদা মৈহৌরোলদগী লোয়নদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসিদি কম্প্যুটরগী মতম অসিদদি অসিগুম্লবা ফজখ্রবা চৎনবী অসি কাওশিল্লকপগুম তৌরে। মরম অসিনা ককচিং হায় স্কুল ১৯৮৪ মেত্রিক বেঞ্চকী মহৈরোয়শিংনা খুনাইবু শেম্বীরিবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগী তৎন-থানবা য়াররোইদবা মরী অসিবু নীংশিংবা ওইনা মতম অমদা মখোয়বু তাকপি-তম্বীরকখিবা ওজা ১১ গী মফমদা অঙম্বা খুদোলশিং অসি তমজবনি অমদি অতোপ্পা মহৈরোয়শিংনসু য়াম্বা য়ামদবা থিদনা অসিগুম্লবা ফজখ্রবা ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগী মরী অসিবু য়োকখৎফম থোকই হায়না এন মুনালনা মখা তাখি।

## ঠিএটর ৱর্কসোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : সঙ্গীট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি ইম্ফাল অমদি ইষ্টর্ন মণিপুর অর্টিষ্ট এসোসিএসন (ঈ এম এ এ) চরাংপাৎ অনীনা পুন্না শীন্দুনা ট্রেদিসনেল ঠিএটর (মোইরাং পার্ভা) দা যুন্স্ফম ওইবা ‘কংলা ৱায়েল’ হায়না মিংথোনবা দ্রমা অমগীদমক থা অমা চুপ্পা চৎথগদবা ঠিএটর ৱর্কসোপ কম প্রদক্সনকী থৌরম অমা ঙসিদগী চরাংপাৎ হায় স্কুলগী কম্পসতা লৈবা সী এম সী হোলদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৫ চরাংপাৎ জে পিগী জিল্লা পরিষদ মেম্বর পি ঐচ হেরামনিনা অথোইবা মীথুং, ঈমাগী প্রসিদেন্ট এম জাতিশ্বরনা থৌরম মপু, পাউনা মেমোরিয়ল আর্টস এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট ৱাংখেমগী দিরেক্তর কে হেমচন্দ্র অমদি হুয়েন লাল্লোং কলচরেল একাদেমি ইরিংবুংগী দিরেক্তর এৱার্দি কে সনাথোই অনীনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মোরাং পর্ভা হায়বা ঐখোয়গী য়েলহৌঙৈগী ওইবা আর্ট ফোর্ম অসিবু য়োকখৎনবা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মীয়াম্না লৈখিদ্রবা কলাগী ওজাশিংগী মফমদা লৈ কত্তুনা ইকাই খুম্নখি। লোয়ননা যোগ, থাঙ-তা, দান্স, ওরিজিন ওফ ঠিএটর, রোল ওফ অর্টিষ্ট মণিপুর ফোক্ক সোং অমদি মণিপুরগী প্লে রাইট কয়াগী থৌদাং হায়বা হীরম কয়া খন্নখি।

# ‘চেঙ শুনা ফংদ্রে হায়না লাউরক্লবসু তাশিন্নদনা লৈথোক্লিবা করিগীনো’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা নফসা অমদি পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা য়েল্লিবা চেঙশিং শুনা ফংদ্রে হায়না মায়কৈ খূদিংদগী লাউরক্লবসু তাশিন্নদনা লৈথোক্লিবা করিগীনো হায়না হংলদুনা মসি মীয়াম্বু উশিৎতবনি, মসি তৌবীগনু। ষননা চাগদবা শজিক হুরান্দুনা য়োন্থোকপগী বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লালু প্রসাদ জেলদা থমখি। মীনা চাগদবা চেঙ হুরান্দুনা য়োন্থোকপা মণিপুরগী অঙম-অথৌশিংদি জেলদা থম্লোইদবগী মরম লৈব্রা হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এক্স মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চমজরবা মীয়াম্না পাউচেগী খুথাংদা ফেসবুকতা ৱাটচএপ গ্রুপশিংদা অমদি মীয়াম তীনবা মফমদা ঙাংনরকপতা নত্তনা ফোংনা ৱাকৎ মীফম ফাওবা চত্থরক্তুনা লৈকায় শরা শন্দুনা ৱা-ৱা লাউনরবা মতম অসিদা লোল থোক্তবা অমদি ঈকায় খঙদবা মীওই অমগুম লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংনা য়েংদুনা লৈথোকপা করি মরমগীনো। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামশিংবু ষনদগী হেন্না তোনবা থৱায় পানবা অমগুম খনবদি পাপ পুগনি। মীওইবগী ৱাখল য়াওদবা মীনুংশি খঙদবা লৈঙাক্লি হায়রোইদবগী মরম লৈরব্রা হায়রি।

চেঙ হুরানবা ফারগা চৈরাক পীসি হায়বদা য়াদ্রিবা অসিনদি লৈঙাক মপুনা হুরানবা ওইরমগনি হায়বসিদা চিংনবা চাউনা লৈরে। মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগী ৱাকৎ তাবীদ্রে। মীয়াম্না লাউরিবা খোল্লাওশিং লৈঙাক্লা হেক তাদ্রিবমখৈ তাদ্রিফাওবা লাউখিসি হায়নসু এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম হেমন্তনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লম্বীগী নাক-য়েৎতা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : আইদিএল য়ুঠ এসোসিএসন (আই ৱাই এ) ককচিং ৱাইরিনা মালেম অসিদা কায়থরক্লিবা অঙৈং-অশাগী খল অসি ঙাক্তুনা থম্নবা পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিলক্লিবা উ-চারা থাবগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু খা মণিপুর কোলেজ লম্বীগী নাক-য়েত্তা উ চারাশিং থাখ্রে।

উ চারা থাবা অদুগা মরী লৈননা, আই ৱাই এগী প্রসিদেন্ট নাওরেম গোপালনা হায়, ঐখোয়গী লৈজরম্বা উমংশিং মীওইবা ঐখোয়না নোংম-নোংমগী কোকথোকপনা ঙসিদি ঐখোয়গী মালেম অসি অঙৈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল অসি অসুম-অসুম কায়থরক্লি। ঐখোয় মীওইবনা কায়থরক্লিবা খল অসি ঙাক্তুনা, কায়হন্দনা থম্নবগীদমক উ-ৱা কয়া থাজিনবা মথৌ তারি। মরম অসিনা আইদিএল য়ুঠ এসোসিএসন (আই ৱাই এ) ককচিং ৱাইরিনা নোংমাইজিং খুদিংগী মফম হোং-হোংদুনা উ-চারা থাবগী থবক অসি চথুদুনা লাক্লি, মখা তানসু চথনবা পান্দম থল্লি।

ঙসি অসিনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা ডা. সর্ভেপাল্লি রাধকৃষ্টনগী মপোক নুমিৎ অসিবু ইন্দিয়াগী মফম পুম্বদা ওজাগী নুমিৎ হায়না পাঙথোক্লরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা আই ৱাই এগী থৌমীশিংনা মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা উ-চারা থাবগী থৌরম অসি চত্থবনি। মখা তানসু আই ৱাই এনা উ-চারা থাবগী থবক থৌরমশিং চত্থরকপদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবিদুনা উ-চারা থামিন্নসি, কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসি কায়হন্দনা থম্বদা শরুক য়ামিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## তোংবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৫(ঐচ এন এস) বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মেদিকেল সেলগী কনভেনর ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কলানা পৌরাবী মখা লৈকাইগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রেবা মফমদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক চান-থক্লবা পোৎলমশিং কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবীদা তেংবাংখ্রে। তেংবাং পীরকপগীদমক টাস্ক ফোর্সনা থাগৎলক্লি।

[illegible]
OFFICE OF THE
MANIPUR TIMES IMPHAL
Govt Regd.
Sangakpham Bazar Near SBI ATM Sangakpham, Imphal

Name of Post : Bank Senior Officer & Junior Officer
Qualification : Graduate / Post Graduate (Any Subject)
Salary : 22,000 - 68,000 Salary : 18,000 - 48,000
Age : 18-30 Male/Female.
Posting : Imphal, All District & Guwahati
Banks are : Leading Banks National & International
Last date Apply : 7th September, 2020 (Online)
Date of Examination / Interview : 9th September, 2020 (Online)
Contact : 9077612178 Whatsapp no. : 6913827338
HL-P/7489/486

BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR
[illegible] / NOTICE
Imphal, the 4th September, 2020

No. A/SC/6/V/76 Pt- II A/1/1735: It is hereby notified to all the concerned that the Board has revised the Curriculum and Syllabus for Classes IX & X due to the COVID-19 pandemic for the academic session 2020-21 which is duly approved by the Government. Details of the revised Syllabus and Curriculum may be accessed from the website https://bsem.nic.in. **The Design, Blue Print and other examination materials will be uploaded soon.**

Sd/- **Dr. Chithung Mary Thomas**
Secretary
HL-P/7492/6

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপাগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, শ্বাং নাবা, খোঙ খুং শিথবা, মশল পাবা, খুং হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থরক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/6359/06/09-06/10

## CROSSWORD-3552



### ACROSS

- 1 Home help from abroad (2,4)
- 4 Feudal retainer (6)
- 8 Skimpy undergarment (5)
- 9 Refrain from voting (7)
- 10 Refuge (7)
- 11 Shelf-like projection (5)
- 12 Martial arts expert (5,4)
- 17 Be of use (5)
- 19 Word meaning the opposite (7)
- 21 Journeys by sea (7)
- 22 Lifeless (5)
- 23 Portugal's capital (6)
- 24 Soldier on watch (6)

### DOWN

- 1 Monet, for example (6)
- 2 Adage (7)
- 3 Bullion bar (5)
- 5 Exonerate (7)
- 6 Injure with hot liquid (5)
- 7 Candle (anag) (6)
- 9 Language of the Boers (9)
- 13 Lively, in music (7)
- 14 Trig ratio (7)
- 15 Wonder (6)
- 16 Mildly obscene (6)
- 18 Bottomless gulf (5)
- 20 Hackneyed (5)

Solution 3551

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | I | G | N | ■ | O | V | E | R | C | A | S | T |
| R | ■ | U | ■ | P | ■ | A | ■ | O | ■ | V | ■ | O |
| I | N | S | U | L | I | N | ■ | G | L | O | O | M |
| L | ■ | T | ■ | E | ■ | I | ■ | U | ■ | C | ■ | B |
| A | V | O | I | D | ■ | S | E | E | S | A | W | ■ |
| N | ■ | ■ | ■ | G | ■ | H | ■ | ■ | ■ | D | ■ | S |
| K | E | E | P | E | R | ■ | D | I | E | O | U | T |
| A | ■ | V | ■ | ■ | ■ | D | ■ | N | ■ | ■ | ■ | A |
| ■ | D | E | L | U | G | E | ■ | C | R | E | A | M |
| D | ■ | R | ■ | P | ■ | S | ■ | H | ■ | X | ■ | P |
| U | S | E | U | P | ■ | P | R | E | P | A | R | E |
| A | ■ | S | ■ | E | ■ | O | ■ | D | ■ | M | ■ | D |
| L | I | T | E | R | A | T | E | ■ | I | S | L | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3351

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 3 | | | 7 | 1 | 5 |
| 3 | | | | | 1 | | 9 | |
| | | | 2 | | 9 | 4 | | |
| | | 4 | | | | 2 | 8 | |
| 7 | | | | | | | | 3 |
| | 5 | 1 | | | | 9 | | |
| | | 5 | 8 | | 2 | | | |
| | 4 | | 1 | | | | | 9 |
| 1 | 9 | 8 | | | 6 | | | |

### Solution-3350

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 9 | 8 | 4 | 5 | 7 | 2 | 1 |
| 2 | 1 | 8 | 6 | 7 | 9 | 3 | 5 | 4 |
| 5 | 7 | 4 | 3 | 2 | 1 | 9 | 6 | 8 |
| 4 | 5 | 6 | 1 | 9 | 7 | 2 | 8 | 3 |
| 7 | 8 | 2 | 4 | 5 | 3 | 1 | 9 | 6 |
| 9 | 3 | 1 | 2 | 6 | 8 | 5 | 4 | 7 |
| 1 | 9 | 7 | 5 | 8 | 6 | 4 | 3 | 2 |
| 8 | 2 | 3 | 9 | 1 | 4 | 6 | 7 | 5 |
| 6 | 4 | 5 | 7 | 3 | 2 | 8 | 1 | 9 |

কৈনু

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


ঙমতাৱান্না শজি অমা তেন্না কাপ্লম্মী।
মাগী তেঞ্জেদুনা পান্দুনা শজিদু শিরম্মী।
সিগী শজিসে চপ চারে, চীংলাইগী খোইচাক ওইবা।